Prepp
Your Personal Exams Guide

107. লোন তম্নবগী ক্লাস্তা করম্বা এপ্রোচ (approach) নত্রগা মেথোদ (method) শিজিন্নদুনা তাক্পনা তল্লিবা মহৈরোয়দুগী মমালোন শিজিন্নবদা শৌগত্তবগে ?

(1) দাইরেক মেথোদ (Direct Method)

(2) ওদিয়োলিংগ্বেল মেথোদ (Audiolingual Method)

(3) নেচরেল এপ্রোচ (Natural Approach)

(4) কম্যুনিকেতিফ এপ্রোচ (Communicative Approach)

108. মখাদা পিরিবশিংসিগী মনুংদা করম্বনা ইবা পাবা নিংথিনা হৈনবগী তঙাইফদ্রবা থৌওংনো ?

(1) দিকোদিং (Decoding) অমদি লোন মমুৎ তানা খঙবা ঙম্বা।

(2) অচুম্বা অমদি খোন্থোক মমুৎ তানা খঙবা ঙম্বা।

(3) খোন্থোক খঙনবগী অমদি লত্তনা ঙাঙবা ঙম্নবগী।

(4) সাইত ভোকেবুলেরি (Sight Vocabulary) অমদি পেতর্ন রিকোগ্নিসন (Pattern recognition)।

109. নেসনেল করিক্যুলম ফ্রেমৱার্ক্ত (National Curriculum Framework) পিবা অঙাং খুদিংমক্না মহৈ মশিং মপুং ফানা তম্বদা মখোয় খুদিংমকপু শরুক য়াননবা, পুক্লিং থৌগৎনবা অমদি নুঙাই য়াইফনা তম্নবা হোৎনবা খ্বায়দগী ফগদৌবা থৌওংসি -

(1) অঙাংশিংগী মখল মখা কয়াগী লমদা হৈথোই শিংথোইবদু মীয়াম মাঙদা উৎথোক্লগা থম্বিবনা ওইগনি।

(2) ক্লাস রুমদা লৈতেং কয়া তৌদুনা তগৎ তগৎ তেক্লবা অকোইবা অমা শেমগৎলগা ওইগনি।

(3) কা মনুংগী ওইবা থৌরমতমক তৌদুনা অঙাংশিংবু নুংশাগী মৈশাদা থোকহন্দ্রগা ওইগনি।

(4) মহৈরোয়শিংগী ৱাখল হকচাং ফগৎনবা হোৎনবদা হেন্না অকুপ্পা মিৎয়েং থল্লগা ওইগনি।

110. মখাদা পিরিবা এপ্রোচ/মেথোদ (Approach/method) শিংগী মনুংদা করম্বনা মহৈরোয়শিংনা পুন্সিদা তশেংনা থোকপা থৌদোক ৱাথোক্তা লোন শিজিন্নবা হৈনবা তম্বদা মাইহেন্না ওন্সিন্নগে ?

(1) দাইরেক মেথোদ (Direct Method)

(2) ওদিয়োলিংগ্বেল মেথোদ (Audiolingual Method)

(3) নেচরেল এপ্রোচ (Natural Approach)

(4) কম্যুনিকেতিফ এপ্রোচ (Communicative Approach)

111. মঙাসুবা ক্লাসকি মহৈরোম অমানা অসুন্না ফোংদোক্লম্মি, "ঐনা ঐগী অইবসি ওজাদা পিশিন্দ্রিঙৈদা ইশানা অচুম অরান চেকশিন্না য়েংশিল্লি।" মহৈরোয়সিনা শিজিন্নরিবসি ইবগী করম্বা তাংকক্নো ?

(1) প্রুফরিদিং (Proof reading)

(2) পিয়র-ইভালুৱেসন (Peer-evaluation)

(3) দ্রাফতিং (Drafting)

(4) রি-দ্রাফতিং (Re-drafting)

Prepp
Your Personal Exams Guide

**132.** ভাগ্যচন্দ্র নিংথৌনা শ্রীশ্রীগোবীন্দজিউগী অগ্রদা কৎলম্বা রাস মখল অসি কয়ানো ?

(1) মরীনি।
(2) মঙানি।
(3) অনি - নি।
(4) অহুমনি।

**133.** ভাগ্যচন্দ্র মহারাজবু চীংলোই শাফুনবা, হেরা চিংবা থাঙগুম্বা নিংথৌরেল হায়না শৈথাদুনা ইরম্বা মী অদু কনানো

(1) ৱাহেংবা মাধব রাম।
(2) ভাগ্যচন্দ্র।
(3) সুপানন্দ।
(4) অঙোম গোপীনি।

**134.** মণিপুরগী সনা ফম্বালদা 18 শুবা শতাব্দীগী ময়াদুদা পানখিবা নিংথৌসি কনানো ?

(1) গম্ভীর সিংহ মহারাজ।
(2) চন্দ্রকৃর্ত্তি মহারাজ।
(3) গরবনিৱাজ মহারাজ।
(4) ভাগ্যচন্দ্র মহারাজ।

**135.** ভাগ্যচন্দ্র মহারাজ না গোবীন্দ নিরূপন তৌখিবসি মহারাজনা তেখাওদা . . . ।

(1) মথক্তা শামু উরুবদগীনি।
(2) শ্রী কৃষ্ণ উরুবদগীনি।
(3) শামু ফাদ্রিঙৈ মমাঙদনি।
(4) শামু ফারবা মতুংদনি।

**136.** মীওই অমানা অনিসুবা লোন অমা তমগে হায়রবদি খ্বায়দগী ফবা খোঙথাংসি -

(1) ওদিয়ো-লিংগ্বেল মেথোত্ত (Audio lingual method) য়াওবা দাইলোগ (dialogues) শিংদু হঞ্জিন হঞ্জিন হায়দুনা ঔরাইরবা মতমদনি।

(2) তমগদবা লোন্দুগী ৱা ঙাঙবগী কোর্স (course) অমাদা য়াওরবা মতমদনি।

(3) ক্লাস্তা নহাক্না ওজাগী মতেং ফঙদুনা গ্রাম্মারদা অকুপ্পা মিৎয়েং থম্বা ঙম্বনি।

(4) লোন্দু মমালোন ওইনা ঙাঙঙিবা মীওইশিংগা মখোয়গী খুন্নাইগী মনুংদা ইতৎ তক্না লোইনবা ঙম্লবা মতমদনি।

**137.** অঙাংশিংগী মমাঙদা লোন অনি ঙাঙশিল্লবদি, লোন অনিসি তাহনবসিনা -

(1) মখোয়গী মপুন্সিদা খেৎনবা অমত্তা থমদে।

(2) মখোয়দা লোন মমুৎ তানা খঙবদা অপনবা পি।

(3) মখোয়দা খুদোংচাদবা মরম অমা ওইহল্লি।

(4) মখোয়দা হেন্না খুদোংচাবা মরম অমা ওইহল্লি।

Prepp
Your Personal Exams Guide

**148.** ক্লাস্তা লাইরিক তাকপগী শরুক অমা ওইনা অনম্বা লাইরিক্কা ওদিয়ো বুক (Audio books) অমদি নৌরিবা অঙাংশিংগী মখুৎ মশা শিংগৎহনবদা য়ুমফম ওইদুনা শেম্বা লাইরিকসু তাকপদা য়াওহনগদবনি মরমদি -

(1) মসিনা তোঙান তোঙান মহৈরোয়শিংনা মখল কয়াগী পাবা ফঙবগী খুদোংচাবা পি।

(2) মসিগী লাইরিকশিংসিনা ওজাদা অহেনবা পোৎলুম হাপকৎলোই।

(3) মসিনা ক্লাস্তা মখল মথেলগী খুতাক য়াওশিল্লকই অমসুং অঙাংশিংদি মখল মথেল পামজৈ।

(4) মসিনা ওজাদা মখল মখাগী লাইরিক শিজিন্নদুনা অঙাংসিংগী অৱাৎ অপা য়েংশিনবদা নিংতম্বা পি।

**149.** লাইরিক পাবা তম্নবা হোৎনবদা পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা মওং অমদি অফবা অঙাংগী তম্নবা লাইরিক থিবনা অচৌবা শিংনবা অমনি। মসিগী শিংনবা অসি মাইয়োক্লনবা -

(1) অঙাংনা পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা অমদি পানিংগদবা লাইরিক লাইনা ফংহনগদবনি।

(2) স্কুলগী থৌপুবাশিংনা অঙাংশিংবু পুক্লিং থৌগৎননবা অমদি লাইরিক পানিংনবা লাইরিক্কি মেলাশিংদা পুবিগদবনি।

(3) ওজানা অঙাংশিংবু নুমিৎ খুদিংগী হোমৱার্ক (homework) ওইনা লাইরিক অমা পানবা পুক্লিং থৌগৎকদবনি।

(4) অঙাংগী মমা মপাশিংদা ময়ুমদা লাইব্রেরি অমমম থম্নবা হায়গদবনি।

**150.** ৱা ঙাঙবগী অফবা থৌওং অমনি -

(1) মহৈরোয়না অয়াম্বা ৱা ঙাঙবসি।

(2) চিংনদনা ৱা ঙাঙগনবা মহৈরোয়শিংনা ক্লাস্তা নম্না ময়োক য়াবাসি।

(3) ওজানা ফজনা কুপথনা তাকপসি।

(4) মহৈরোয়না মুন্না তাবাসি।

- o O o -

Prepp Your Personal Exam Guide

